# মণিপুরী খুন্নাইদগী মমি শামজিল্লক্লিবা শিন্থা : অদুঙৈগী ফৌশুখোনগী তান্থাদো নীংশিংলকপদা

ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী

নুমিদাং থাবল চোংজোইবী/কনাগী চানবা চোইবনো/ঠাকুড়শিদ লম্বোইবা/চানবা চোইবনে।/ইচে উরেন্নু ইবেম্মা/কদাই তান্না পাইগেগে।/চীংয়া কোয়না পাইগেনে।/ইপু শোইরোই খন্বা, ইপু শোইরোই খন্বা/চীংজেল খুনু লমলৈচা, ফাবীয়ুকো ইপু।/খুনু পাপ্তি চাওই, চেক্লা পাপ্তি চাউই,/নোরোক লৈখা তাগনি।/পারি ঙাংবা হল্লো, পারি ঙাংবা হল্লো...। (ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্র, অরিবা মৈতৈগী শৈথা)

ফৌশু শিন্থাদি মণিপুরী নুপীশিংগী থাফদ্রবা মথৌ ওইদুনা লাকি-খবনি, মথায় থায়না ফৌবু চেঙ ওন্থোক্নবা শূক শুম্বল পুথোরকপদগীনি। ঙসিগী মীরোলনা খঙবীদবৈ ৱানি, লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা থবক তৌরিবী অচৌবা ফম্নাইবা য়াওনা, স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটিদা ওজা ওইরিবী নুপী কয়াগী মনুংদা চহী য়াঙ্খেগী মথক্তা লৈবীশিংদি ফৌ শুবা (চেঙ চোইবা) হায়বা থবক অসি খঙদবা য়াওরল্লোই। করিগুম্বা মফম খরদদি শিন্থা অসি ঙসি ফাওবা হিংদুনা লৈরি। অমুক হন্নকউ য়াররোইদবা মতমদো নীংশিংলুরগা কপনীংলকই। মতমদুদদি ঐখায় ঐখোয়গী ইমাশিংবু য়াম্না শাউনীংখি, শান্নবা ফংহন্দবীদা ফৌ শুহল্লি হায়দুনা। চক্ লৈতবশিংদি চেঙঙৌ তাহন্নবা ফৌবী ফাৎলি। ফৌদু চক্ তকথোক্তবীদা শূম্বলদা হৈজিল্লগা শুবদু খূবাক কুরোন হুবনি। মদুগী থবক্তু তনবনা। অহুল্লক চোইদ্রবদি য়াদে। কৈথেলদা তাইননবা ময়াম অমা চোইবদদি চক্ তকথোক্কে। চেঙঙৌ তারবা চেঙ অদু য়াংকোক্তা হাপ্লগা ৱা ৱা খপতোল্লবা মতুংদা খুদোম্বীনা য়াংকোক মপান্দা তেক তেক কাপ্লগা তান্থা নাইনা খৈবদু হৌজিক মতমগী লৈশাবী, মৌনাউশিংদি হৈজপোৎ নত্তেকো। মোবাইল মেৎপদা মখোয়না হৈ-শিংবা হেঞ্জরবসু ফৌশু চেঙশুদদি ঐখোয়না হেল্লে হায়বসিমদি ককপা ঙম্লরোইদবা ময়েকনি। মখোয়দা তাইনরুবসু য়াবা নত্তে, চেঙ তক্লবা মিল পুথোরকপদগীনি। হৌজিক্তি খপ্পা, খৈবগী মথৌ তাদবনা মিলদগী পুরক্লগা চেঙফুদা হৈজিনবা য়ারবা টেক্নোলোজি মখল কয়াসু পুথোরক্লে। কনানা খঙবনো, তম্বা ঙমদে, পোঙনা ফন্না ঙাঙলুরিবা ঐখোয়সু খরা লৈরগা চেঙ খপ্পা খৈবসু হৈখিদবা য়াই। চক্ তকপা, শূম্বলদা ফৌ শুবা হায়বদু ফাওবা আ মমা শীজ লৈশারিঙৈ মতমগী ৱারী ওইরপোৎনি। হৌজিকপু নখোয় লৈকায়সিদগী শূক, শূম্বল, চক্ পুথোরক্ত্রবদি খূবাক্তা য়াইরীনা লেংদুনা হোইরগা পুরনি হায়না অকন অথৌ ময়াম অমা লাক্লগা হায়রবদি অদুম্মক হোইখিবা তাবনি, কনা লাক্তুনা কনবীরদবা। ম্যুজিয়মদবুদি লৈরমগদরা?

অদুবু মসিমদি ঐখোয় পূম্নমক্না খঙজিনবগী কান্নবসু লৈ, মদুদি ফৌশু চেঙশু মশিন্দি নুপীগীনি। শুংথা থাদোক্নবা য়ারক্তে। অহল লমনশিংনা তাকপীরম্মী, মীরোনবী মমা অমনা থা য়ামশিল্লক্লবদা ফৌ শুবনা কান্নবা পী। মদুনা অঙাং পোকপদা থোকপা য়াবা খুদোংথীবা কয়াদগী কনবা ঙম্মী। মতম অমদা ঐখোয়গী মীৎমাঙমক্তনি, করিগুম্বা অঙাং পোকপদা চিংনরবদি শনথোঙলোমদা লাইনিংথৌ সনামহীগী মপা য়েংলগা শূক অমা ফক্লাং ময়াদা লংথোকই। লৈশাবী ফাদ্রিঙৈ মতমদগী হৌনা ফৌ শুবা হায়বসি নুপীমচাশিংগী মশিন ওইদুনা অদুমক লাকখ্রবনি। 'খোংচোমনুপী নোংকারোল' দগী মপূং মরৈ ফাজদ্রিবী নুপীমচাশিংনা ফৌ শুবগী থবক্তগী নাম্থোকপা য়ারমদে হায়বগী মতাং অমা লৌখৎচরি, "লুৱাং নিংঙোল ইচানুপী হাওশি নামোইনু-ও, শূক পায়দুনা ফৌ শুরগা চেঙঙৌ তাল্লু। লাইস্নানা থোইদিং খপ্নবা লা, মচাই মচাই তানা লংবা, হুইগুম ফাদুনা মপান খোপ্পা লা, উমু মতাং অমনা শাবা লা, চঙখেনবা লা হায়বদি য়াংকোক্তা মাঙদা চৎহল্লগা ফৌনা নথারোমদা চিংশিন্দুনা নিংঙোল নঙগী খূৎনিংথৌ নিংথিবী অদুনা নিংথিনা খনবা চেঙ অদু ঙৌনবা চোইরু হায়না থৌ থাববু মচা নুপী হাওশি নামোইনুনা শাউখি। হে ইমা ঙানুরোল লৌশিগাম চনু-ও, নচা ঐবু পুরকপা চেঙপোৎ থারম থাফাৎত্রিঙৈ, ইমাগী ফমফমদা ফম্বমকসু ফমদ্রিঙৈদা নিংঙোল ঐগী য়াঙলেন্দা তাবা হুমাং, তুখোঙ শিন্না তাবা হুমাং, নিংঙোন্দা চোৎপা হুমাং, ইকায়বা ঙাক্নবা থাখুমদা চোৎপা হুমাং কংদ্রিঙৈদা করিগী শূক পায়দুনা ফৌশু হায়রিবনো?" মসিদসু নত্তনা ফুঙ্গা ৱারীদসু মপূং মরৈ ফাদ্রিবী নুপীমচাশিংনা ফৌশু চেঙশুগী থবক্তা য়াওশিন্দুনা মমা ওইবীশিংগী মতেং পাংলম্মী হায়বগী খুদম চাংদম ওইবা য়াবা মতাং য়াওই।



মণিপুরী খুন্নাইদা নুপীমচা অমগী চহী মতাং হংনরকপদা 'ফৌশু চেঙশু ঙম্লকপা' হায়বা ৱাহৈ অহুম অসিনা নুপীমচা অদু ইমুং মনুংগী থবক ইনখাংদা মমাগী মতেং পাংবা ঙম্লে হায়বদু খঙনরম্মী। মতম অমদদি য়ুমথোং খুদিংদা ফৌশুশঙ থম্নরম্বগা লোয়ননা শূক, শূম্বল, চক্ লৈনরম্মী। ঐখোয়না থেংনজহৌবদা মফম অয়াম্বদা মরু ওইনা খুঙ্গংশিংদা ফৌশু চেঙশুগী থবক অসি য়াওদবা নুপী লৈরমদে হায়বা য়াই। নুপীশিংনা ফৌ শুদুনা চেঙঙৌ তাহল্লবা মতুংদা চেঙ অদু কোকথোং পুরগা কৈথেলদা তাইথোকই। ফংলকপা শেন্দোংদুনা ইমুংগী ঙামিৎ থুন্মীৎ পুনরম্মী। মমা ওইবীশিংগী থবক্তুদা মচানুপীশিংনসু মতেং পাংশিল্লি। মী অমনা শূবা নৎত্রগা মী অনীনা শূক অদু শিন্না শিন্নদুনা তান্থা নাইনা ফৌ শুনরম্মী। শুম্বল মপান্দা চোংথোরকপা ফৌ চেঙশিংদু ফৌ শুনা শুনা খোঙনা খোৎচিল্লি। করিগুম্বা মতমদা অতোপ্পা অমনা শুম্বল মনাক্তা ফম্লগা মখূৎনা খোৎচিনবসু য়াওই। কনাগুম্বী লায়র অনংগী চৈথেং ফংলবী অমগী মরমদা শৈথারকপা মতমদা 'লৈকায়গী ফৌশু চেঙশু লঙবদা খূবাক কুরোন হুরবী' হায়নৈ।

নীংশিংলুবদা পূক্নিং নুংশিবদি য়াওশঙ ময়া নকশিল্লকপদা লমতাগী থানিল য়ৌরমদাই মমাঙগী থাবলদা শুমাং অমদা লৈশাবী ময়াম ফৌশু লঙনবদুনি। য়াওশঙ কুম্মৈ নুংদা চাননবনি। ফৌ শুবগী থবক খক্তমক নত্তে, লৈশাবী পাখংশিংগী থম্মোয়নুংগী ৱা পাউদম্নবগী খুদোংচাবসু ফংলম্মী। লৈশাবী ময়াম ফৌ শুরিঙৈদা মা মাগী খঙনজবা নৎত্রগা মখোয়বু খোয়দাজবা পাখংশিং লাকই। মতমদুদা ঐখোয় অঙাং ওইরি। অদুবু লৌবী পাখংগী ৱারী তাগদবৈ তাঞ্জা লুমদুনতা লৈরম্মী। য়াচঙবগা লাইরিক ঔরাইথোকই। হোমৱর্ক তৌরিনি হায়দুনা তৌখিবশিংদু নীংশিংলবদা নোক্নিংবনা। ইবকাদু শগোল লমজেল থানবদুঙায় খপ্লগা ইবীজাৎনি, শ্বর হোন্দবমখৈ। য়াওশঙ মমাঙ ফৌশুফমগী ইরাংদু য়েংবা নংহৌররোই হায়বগীনি। মদুখক্কি ৱা ঙাক্তসু নত্তে, পাখংশিংনা পুরকপা চ্যুংগম, মঙ্গল অঙৌবা, য়ুবীনচিংবা অচাপোৎশিংদু চাবা ফংহৌদ্রবদি থৱায় য়াম্না চাকচগদবদো। খুন্নাইগী লোনচৎ অহোংবা নাইরকই। সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিগী খুদোলনি, অনৌ অনৌবা পোৎলম কয়া পুথোরকই। ঐখোয়না লৈশাবী ফারকপদদি পূম্নমক্তু ৱারী ওইখ্রে। শূক শুম্বলগী মহুৎ মপান লমদগী পুরকপা মিলনা মহুৎ শিনখ্রে।

মমাঙঙৈগী মতমদদি ফৌ শুরিঙৈদা ৱাখল য়াম্না নুংঙাইনা ফৌশু ঈশৈ মখল মখল শক্নরম্মী হায়বগী খুদমনি, ঈশৈ ময়াম অমা লৈরল্লিবসি। মদুনা পাঙ্গল হাপ্লমগনি। খরা থেংলপ শক্নরকখিবা ঈশৈ অমত্তং লৌ-খৎচরি, হো ইমা ইমা-ও/ঐসু লাক্কে ইমা-ও/নোং চুই লাক্নু/ছাটিন তূপ্তুনা মরাক্কে/লম্বী নাল্লি লাক্নু/চৈশু শুদুনা মরাক্কে। মতৌ অসুম্না ফৌ শুবনা নুপী ওইবীশিংগী থৌশূ থৌচৎকী মশক লেপ্লগা লোয়ননা লমদম অসিগী তোপ তোপ্পা নাট অমসুং ফোকলোরগী মমল য়াল্লবা মচাক মরাং কায়না লৈরম্মী হায়বদু ময়েক শেংনা উৎলি। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা খুন্নাইসিগী পুন্সিরোল, শেন্মীৎলোন, নাট অমসুং চৎনরোলগা তৎন-থানবা য়াররোইদবা মরী লৈনরক্লবা ফৌশুরোলগা মরী লৈনবা ৱারীশিং, ঈশৈশিং অমসুং শূক শুম্বলনচিংবা পোৎলমশিংবু মাঙহন্দনা থম্বগী থৌদাং অদু ঐখোয় পূম্নমক্না লৌফম থোকই। মসিদি পুৱারী শূবশিংগীদমক্তি কান্নরবা মচাক ওইগদৌরিবনি। মসিদা নুপী ঐখোয়নসু মায়পুননা থৌদাং লৌফম থোকই। মরমদি নুপী খুন্নাইগা শাগোন্নদুনা লাকখ্রবা থৌপু থৌচৎকী ওইবা শক্তম মাঙহনখিবা হায়বসি খুন্নাই অসিগী তাঙলবা লন মাঙখিবনি। থৌপু থৌচৎ অদুদা অমুক হঞ্জিল্লসি হায়বগী ৱাফমদি নত্তে। মতম অমগী মমি মাঙখ্রবা শক্তমদু ঙসিগী নৌরিবা অমদি তুংগী মীরোলদা খঙহন্দবা য়াদে। মসিগীদমক কদাইদা করি লৈরিবা হায়বদু থিরু হূল্লুরগা লীদুনা থম্বগী মতম ওইরে। ●

# পোরট্রায়ল ওফ ইন্দিয়ন পর্ফোর্মিং আর্টস

## (মণিপুরী জগোয়গী মরমদা কুপ্না থিজিল্লীবী ডা: পুখ্রম্বম লিলাবতিগী অনৌবা লাইরিক)

ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ

মালেম পূম্বনা কল্লক্নরিবা ইন্দিয়ন স্কুল ওফ দান্সতা খ্বাইদগী চাউবা মফমসু কল্লিবা মণিপুরী জগোই হায়নসু খঙনবা মৈতৈ জগোয়গী ফাওর-ফাওরবা জগোয় শাবীশিংগী মমিং পন্নরকপদা মৈতৈ মচাগী মশীংদগী মীরমগী মীওইশিংনা মশীং হেক্তা হেল্লম্বগী নুংঙাইতবা অদু খরমখৈ কোকহন্দুনা মণিপুর মীয়ামদা ডা. পুখ্রম্বম লিলাবতিনা চাওথোকচবা অমা ফাওহনখিবদু কনানসু খক কাউবা ঙম্লোই। পিক্লিঙৈদগী হৌনা জগোয় ঈশৈদা পূক্নিং য়াম্না লুপচরকখিবী লিলাবতিনা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি, ইম্ফালদগী অহানবা ওইনা মণিপুরী জগোয় (ক) থ্রী য়রস ফাউন্দেসন কোর্স (খ) থ্রী য়রস দিপ্লোমা কোর্স (গ) থ্রী য়রস পোষ্ট দিপ্লোমা কোর্সনচিংবা কয়া নীংথিনা তম্বা লোইশিল্লবা মতুংদা ভারতনাট্যম জগোয়দা চহী মরিগী দিপ্লোমা কোর্স অমসু চেন্নাইগী কলাক্ষেত্র ফাওন্দেসন রুকামনি কোলেজ ওফ ফাইন আর্টসতগী মপূং ফানা লোইশিনখি। মখা তানা অমুক পোষ্ট দিপ্লোমা কোর্স অমসু ফাওন্দেসন অসিমক্তদা মপূং ফানা চথুখি। ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা স্কোলরসিপ কয়া ফংদুনা মণিপুরী অমদি ভারতনাট্যম জগোয়বু মহাক্কী হেক পোকমিন্নবী মচেগা লোয়ননা তম্লকখিবা অমদি নৈনরকখিবা মৈতৈ চনু লিলাবতিবু পোক্লিবী ইমা অমদি পাবুংদি লাইবক য়াম্না ফরবা মপোক্নি। জগোয় ঈশৈনচিংবা মণিপুরী কলচরগী তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা থৱায় য়াম্না য়াওজবা ইমুংদগী হৌরকখিবী পুখ্রম্বম লিলাবতিবু মণিপুর গভর্নমেন্টকী দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (য়ু)না ষ্টেট নোমিনি ওইনা খনবীদুনা জগোয়গী লম্‌দা মখা তানা তমথরুনবা অমদি থিজিল হুমজিল্লুনবা হায়দুনা হায়দ্রবাদ সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিদা মাষ্টর ওফ পর্ফোমিং আর্টস (দান্স) তমথরুনবগীদমক থাবিখি। হায়রিনা য়ুনিভর্সিটি অসিদগী গোল্ড মেদল অমসু ফংদুনা কুমজা ২০০৯ দা দান্সকী লম্‌দা মাষ্টর দিগ্রী ফংলকখি। হীরম অসিদনা থৱায় য়াম্না য়াওনা লেপ্তুনা সুম চঙশিল্লকপগী মহয়না য়ু জি সী-এন ঈ টিসু মায় পাক্তুনা য়ুনিভর্সিটি অসিমক্তদা মখা তানা জগোয়গী লম্‌দা পি ঐচ দি কোর্স চথুদুনা দোক্টেরেট দিগ্রীসু ফংখ্রে। লোয়ননা সেন্ট্রেল ওদিসন বোর্দ, প্রসার ভারতি ব্রোদকাষ্টিং কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া (দুরদর্শন), ন্যু দিল্লিনা মণিপুরী জগোয়গী লম্‌দা এ গ্রেদকী এৱার্দসু পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবী ডা. লিলাবতি হৌজিক হৌজিকমক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ দান্স এন্দ মুজিক্তা এসিষ্টেন্টে প্রোফেসর ওইনা থবক পুদুনা মণিপুরী জগোয় ঈশৈগী লম্‌দা মহৈরোয়শিংবু তাকপি-তন্বীরি অমদি কন্না থিজিন হুমজিনবগী থবকশিংসু চথুরিবিনি।

মণিপুরী জগোয়বু য়াম্না কুপ্না একাদেমিক ইনসাইট অমগা লোয়ননা ষ্টদি তৌরিবা ওজা লিলাবতিগুম্বী জগোয়সু শাবী মৈতৈ নুপীদি অতাঙবনি। মণিপুরী জগোয়গী লম্‌দা মহাক্কী খুদোল ওন্থোক্না য়ামখ্রে। নেসনল এন্দ ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা তোঙান-তোঙানবা প্রোগ্রামশিংদা জগোয় শাবী অমা ওইনা অমদি স্কোলর/রিছোর্স পর্সন অমা ওইনা শরুক য়ারুবসি মশীং ওন্থোক্না য়ামখ্রে। ক্বালিটি লৈর-লৈরবা রিছার্স আর্টিকল কয়া অমা পুথোকখিবদা নত্তনা জগোয় অমদি অতৈ কলচরগী লম্‌দা লাইরিক মরিসু খুদোল তমখ্রবী ওজা লিলাবতিনি। মণিপুরী রাস (এন ইন্দিয়ন ক্লাসিকেল দান্স ওফ মণিপুর) কৌবা ওজা লিলাবতিনা ইজবা অহানবা লাইরিক অসি কুমজা ২০১৩ দা এন এস এন সেল, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা ফোংখি। মথংদা কুমজা ২০১৪ দা মশামক্না ইজবা লাইরিক পেদাগোগিক পর্স্পেকটিভস ইন ইন্দিয়ন ক্লাসিকেল দান্স (দি মণিপুরী এন্দ ভারতনাট্যম) কৌবা লাইরিক অমসু ফোঙখি। মসিগী মতুংদা এষ্ঠেটিক্স এন্দ কলচর প্রর্ফোমিং আর্টস কৌবা ডা. এম এস সিভা রাজু, ঐচ ও দি এন্দ এসোসিএট প্রো. দিপার্টমেন্ট ওফ দান্স, এস এন স্কুল ওফ আর্টস এন্দ কম্যুনিকেসন, য়ুনিভর্সিটি ওফ হায়দ্রবাদ অমসুং ডা. পুখ্রম্বম লিলাবতি অনীনা পূন্না এদিট তৌমিন্নবা লাইরিক অমসু কুমজা ২০১৫ দা ফোঙদোকখি। ওজা লিলাবতিগী থৱায় য়াওবা হোৎনবা লেপ্তবনা মরম ওইদুনা মখা তারপা ওইনা কুমজা ২০১৭তা ফোঙখিবা লাইরিক 'পোরট্রায়ল ওফ ইন্দিয়ন পর্ফোর্মিং আর্টস' অসিসু ডা. এম এস সিভা রাজু অমসুং ডা. পি লিলাবতি অনীনা এটিদ তৌবা পাবদসু য়াম্না নুংঙাইবা লমদমসিগী তোঙান-তোঙানবা পর্ফোর্মিং অর্টসকী মরমদা ইবা ক্রিটিকেল এসে ময়াম পুনশিল্লগা ফোঙবা অসি থোইদোক হেন্দোক্না মমিং পনবা য়াই। ইনাক খুল্লবা মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচরগী হেরিটেজশিংবু নীংথিনা দোক্যুমেন্টেসন তৌদুনা মালেমগী মীয়ামদা খঙহন-উহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কন্না লৌরক্লিবী ওজা লিলাবতিগী খ্বাইদগী অনৌবা খুদোল লাইরিক অসি কুপথনা পাদুনা নৈনবা য়াবা লাইরিক অমনি খন্দুনা সুম পাথরুবদা থম্মোয়দা ফাওরকপা ৱাখল খরদং থমজবনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী ভাই চান্সেলরনা লাইরিক অসিগী ফোৱার্দ ইবিবা অসিমক্না লাইরিক অসিগী থোইদোকপা অফবা ক্বালিটি অদুসু অদুম তাকচরবনি। লৈবাক মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা অমদি য়াম্নসু পাম্নরিবা ইন্দিয়াগী ওইনা অফাওবা জগোয় ঈশৈগী ইন্সটিট্যুটশিংদগী মতম শাংনা নীংথিনা মহৈ তম্লক্লবা অমদি থিজিন হুমজিন্দুনা কুপ্না নৈনরক্লবা ওজা লিলাবতিনা (মণিপুরী জগোয় অমদি ভারতনট্যম অনীমক্তা ফজনা ট্রেন তৌরক্লবা অমদি হৈথোই-শিংথোইরবা) অচৌবা থৌদাং লৌদুনা রুবি প্রেস এন্দ কো. ন্যু দিল্লিগী মতেংনা ফোঙলক্লিবা পোরট্রায়ল ওফ ইন্দিয়ন পর্ফোমিং আর্টস হায়রিবা লাইরিক অসি ইন্দিয়ন আর্ট এন্দ কলচরগী লম্‌দদি মমল য়াল্লবা খুদোল অমনি।




লাইরিক অসিনা ইন্দিয়াগী ওইনা মরু ওইনা ইরমদম মণিপুরগী পাক-চাওরবা মখল-মথেল য়াল্লবা কলচর হেরিটেজশিংগী মরমদা অমদি হোংলক্লিবা কলচরেল ট্রেনদগী মতাংদা কূপ্না নৈনবা হোৎনরি। মপাল লমগী অফাওবা ওজাশিংগী য়াওনা পূন্না রিছার্স আর্টিকল কুনমরিনা লৈচল শুরবা লৈ পরেং ফজরবা অমা লেংশিনবগুম্না য়াম্না মওং তানা লেংশিল্লগা লাইরিক অসি মহৈরোয়শিং অমদি থিজিল্লোইশিংগী মফমদদি য়াম্না কান্নবা ইনর্ফোমেসন সোর্ছ অমা শোয়দনা ওইরগনি। আর্টিকল অমদা হীরম অমগী মরমদা লোয়না শুনা ইথোকপদি য়াদবনা য়ামখ্রবা কলচরেল হেরিটেজশিংগী মরমদা য়াম্না শুপচিন্না অদুগা মচংদি ওইবা ৱাফমশিংতমক হাপ্নবা হোৎনবদা এদিটরশিংনা ৱারমগদবদু তশেংনা থাগৎনিংঙাইনি। অপাবশিংদা অকনবা ইথিল কয়া শোইদনা পীরগদবা য়াম্না চেকশিন্না তাশিল্লগা শেন্লিবা ক্রিটিকেল এসে ময়ামগী কলেক্সন অসিনা মতুং তারকপদা লমদমসিগী পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্মশিংগী মরমদা কুপথনা নৈনরকপদা য়াম্না মথৌ তারগদবা লাইরিক অমা শুংশোই শোয়দনা ওইহৌরগনি। লমদমসিগী নহা অমদি অহল ওইরবা থিজিল্লোয়-নৈনরোই কয়াদগী মখোয় মখোয়গী রিছার্স ৱার্ক ময়াম অমবু খোমজিল্লগা মশামক্কীসু রিছার্স আর্টিকল য়াওনা য়াম্না ফজনা লাইরিক অমা ওইনা পুথোকপিরকপা অসিমক ওজা লিলাবতিনা মণিপুর কলচরগীদমক কয়াম খনবিরি হায়বদু অদুম খঙবা ঙম্লে। ইন্দিয়ন দান্স, টেগোর অমসুং জগোয়, দান্স ঠিএটর এজ ৱর্শিপ, মৈতৈগী উমংলাই হরাওবা, খুবাক ঈশৈ, মণিপুরী ভৈশনভিজম শুমাং লীলা, রাসলীলা, গৌড়া লীলা, নট সংকীর্ত্তন, মূর্ত্তি লাৎপনচিংবা তোঙান তোঙানবা হিরমশিং অসিদা নত্তনা জেনরেল ক্রিটিসিজম ওন পর্ফোর্মিং আর্টস অমদি জগোয়গী এস্থেটিকনচিংবা য়াম্না মরুওইবা হিরমশিংদা য়াম্না একাদেমিকেল্লি নৈনরিবা লাইরিক অসি পাদ্রগদি মণিপুরী অমদি ইন্দিয়ন কলচর নৈনবদা মপুং ফাবা হায়বদু শুকওই ওইবা ঙম্লোই হায়না থমজনিংই। জগোয় হায়বা পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্ম অসিগী মরমদা অকুপ্পা নোলেজ খঙনবা হোৎনবতা নত্তনা জগোয় শাবী অমসু ওইরিবা ওজা লিলাবতিনা মহাক মশামকপুসু (মশাগী পোকপদা য়াওজরকপা মতিক-ময়াইশিং লোৎশিন্দুনা লৈরিবা টেলেন্টস, ইন্টরেষ্ট, ইনর্জি, এটিচ্যুদনচিংবা) মশক মুন্না খঙদোকচনবা কন্না লাক্করিবা, য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংবু তাকপী তন্বীনবা হোৎনরিবা অমদি রিছার্স ৱার্ক কয়া তৌজরিবা অসি ঐখোয় পূম্নমক্না পূক্নিং থৌগৎপীরবদি মালেমদা ফাওরিবা মণিপুরী জগোয় অসি অমুক্কা হেন্না ৱাংবা থাক্তা পুখৎপদসু শোয়দনা মথৌনা ফুদোক্লকখিগনি হায়না খল্লি। য়াম্না নহা ওইনা মায় পাকখৎলক্লিবা ওজা লিলাবতিনা মখা তানা কন্না থিজিন্নিংবগী মতৌ উৎলিবা অসিগা হায়রুরবদি মণিপুরী জগোয়গা লোয়নরিবা এষ্ঠেটিক ভেল্যুস, দিবোসনেল ভেল্যুস, থেরাপেকটিক ইলিমেন্টস, আর্টিষ্টিক ভেল্যুনচিংবা য়ুনিকনেস কয়াশিংসু অথুবা মতমদা শোয়দনা মায় পাক্না থিজিনবা ঙমগনি হায়না থাজৈ। মৈতৈগী থাঙ-তা, নট সংকীর্ত্তন, পেনা শকপা, থাবল চোংবনচিংবা আর্ট ফোর্মশিংগা মৈতৈ জগোয়গা লৈনরিবা মরীশিং অদুসু ওজা হোয়গুম্বা থিজিল্লোইনা শোয়দনা নৈনবীরক্কনি হায়না খল্লি। মথং জগোয়গী লাইরিকশিং ফোঙলবদি লাই হরাওবগী লাইবৌ জগোয় খুৎয়েক ৩৬৪ গী অকুপ্পা ৱারোলশিং, জগোয়না মীওইবগী ক্রিএটিভিটি অমসুং পর্সনেলিটি দিভলপমেন্টতা কয়াম ইথিল পীরিবা, কলচরেল অমদি নেসনল আইদেন্টিটিগী ইলিমেন্ট কয়াম য়াম্না মৈতৈ জগোয়দা য়াওরিবগে হায়বনচিংবা টোপিকশিংগী মরমদসু ফজরবা আর্টিকল কয়া শোয়দনা য়াওহনবীরক্কনি হায়নসু থাজৈ। লোয়ননা মালেমদা ফাওরবা মৈতৈ জগোয়গী পর্ফোর্মেন্স ষ্টদিশিং চথুরকপা মতমদা জগোয়শিংদুগী ফিলোসোফিকেল, হিষ্টোরিকেল এন্দ সোসল ষ্টদিনচিংবা কয়াসু য়াওশিলহল্লবদি হেন্না মপুং ফারবা জগোয়গী টেক্স বুক অমদি রিফরেন্স বুকশিং শোয়না ওইগনি। ইপা-ইপুশিংনা থন্বীরম্বা মমল য়াল্লবা জগোয়গী ট্রেদিসনল নোলেজ কয়াশিং নীংথিনা প্রিজার্ভ অমদি প্রমোট তৌদুনা ঙসিগী চাউখৎলবা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি অমসুং দিজিটেল ইরা অসিদা জগোয়গী ঈহৌ অমা পুরকপদা ওজা লিলাবতিসু অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরকখিগনি হায়বা থাজবা অমা থম্বগা লোয়ননা ওজাগী তুংগী পুন্সিদা নাদ-য়েক্তবা, নুংঙাই য়াইফবা অমদি ওজানা তৌরু তৌরুবা খুদিংমক্তা অফবা মহয়তা ফংবা ওইসনু হায়না ফোঙদোকচরি। ●

## মরোল থোকপা লাই

